Refreshingly Readable
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

ফাজিনখিবা মহৈরোয়শিং অমসুং ওজাশিং থাদোকউ হায়দুনা চরা হেল্লিবী এম য়ুগী মহৈরোয়শিং উনবা লাকপা নুপী লূপকী লুচিংবীশিং পুলিসনা থিংবা

সী সী এস কেনা লুচিংদুনা মণিপুরগী পুৱারীদা মীয়ামগী লৈঙাক লৈখিবা নুমিৎ হায়বা হীরমদা খাঙবোক্তা পাঙথোকপা খন্ন-নৈনবগী মীফম

ONE DAY DISCUSSION
লামায় ১

এলাংখাঙপোকপী কম্যুনিটি হোলদা এলাংখাঙপোকপীগী খুঞ্জাশিংনা শরুক য়াদুনা পুমলেন পাৎতা শঙাই য়োকপা য়ারোই হায়না ফমখিবা ৱাকৎ মীফম

সিটি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা মেজোর খুল ময়াদা মতিক ময়াই চেল্লবা বোম অমা পোকখায়খ্রবা তুংদা মীয়ামনা মফম অদু য়েংনবগী শক্তম

Vol. 42, Issue No.182 লৈবাকপোকপা, লাংবন থানিল, অপূনবা লামায় মশীং ১২ HUEIYEN LANPAO, Tuesday, September 25, 2018, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৮০.৮৬
দীজল : লিটরদা লুপা ৭২.১০

খন্ন-নৈনগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ : অপূনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলূপ (অম্মিক)কী হেদ ওফিসতা হয়েং নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা মণিপুর মতম ঈশৈ নুমিৎ ২০১৮গী মরমদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোক্কনি হায়না অম্মিককী জেনরেল সেক্রেটরি এম ধনঞ্জয়না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অসিনা হায়, লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ২৯ অমসুং ৩০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মতম ঈশৈ নুমিৎকী অকুপ্পা ৱারোলশিং পি আর ওগী খূথাংদা মীয়ামদা খঙহনবগা লোয়ননা মণিপুরগী মতম ঈশৈগী লম্‌দা কথোক্লবা মীওইদা লাইফটাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ পীগদবা মীওইশিংসু খনগনি অমসুং নুমিৎ অসিদা লাউথোক্কনি হায়রি।

সী এমনা য়েংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ : ইম্ফাল সিটিগী মরুওইবা মফম কয়ামরুমদা থোকপা থৌদোক ৱাথোকশিং খঙননবা অমসুং পুলিসকী ইনভেষ্টিগেসনদা খুমাং চাওশিন্নবা খিনবা হৌখ্রবা সী সী টি ভি কেমেরাশিং ঙসি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা য়েংখ্রে। ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পিগী ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা কন্ট্রোল রূমদা খিল্লিবা সী সী টি ভি কেমেরাশিং অদুনা লৌবা ভিদিও ফূটেজশিং অদু ঙসি অয়ূক পুং ৮ লোম তাবদা চীফ মিনিষ্টর মশামক লাক্তুনা য়েংলখি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি। অদুমকপু করম-করম্বা মফমদা সী সী টি ভি কেমেরাশিং খিনবগে অমসুং খিন্ননবা থৌরাং তৌরিবগে হায়বগী মতাংদদি খঙবা ঙমদ্রি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	85.444440
US Dollar	72.580148
British Pound	95.289137
Australian Dollar	52.811391
Chinese Yuan Renminbi	10.584848
Japanese Yen	0.644289
Malaysian Ringgit	17.575521
Norwegian Krone	8.934861
Singapore Dollar	53.203758
South Korean Won	0.065002
Swedish Krona	8.270287
Turkish Lira	11.689903
Myanmar Kyat	0.04538
Bangladesh Taka	0.86698

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 31294.12
Mumbai	–	Rs 32245.99
Delhi	–	Rs 31978.61
Kolkata	–	Rs 32310.16

HL POLL

Q : Fajinkhiba oja amasung maheiroising thadoklaga MU da tangdu leitaba fibam leigani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Internet Data Network thinglamdragadi MU gi wathok henna chaothoklamgani haibagi thajaba leibra?

Yes 30% No 70%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

অস! লোইরেহে!


হে তাইবং মপু নানাই ঐখোয় ৱামনগ্রে অমুক্তা থৌজানবীয়ু...!
লফোই চঙ থোকপদি য়াওদনা...!

চীংমী লুচিংবশিং অমসুং মীয়ামগী নুমিৎ থৌরম

এম য়ু ৱাথোক্কী ৱারোইশিন পুরক্নবা সী এমনা সী এস ওশিংগী মতেং নিখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪(ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মহৌশাগী ফিভম অমসুং ঈং-চিকপা একাদেমিক এটমোস্ফেয়র হঞ্জিনহন্নবা লৈঙাক্কী অচেৎপা ফিরেপ লৈ হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

চীংগী লুচিংবশিংগী নুমিৎ অমসুং মীয়ামগী নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসি লৈখাই তানবা ষ্টেট লৈঙাক্না অঙম্বা থাক্তা ৱাতেমগনি। ইশু অসি লৈখাই তানবা হোৎনবদা ষ্টেট লৈঙাক্না সেন্টর অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কম্যুনিটিগী মরক্তা ৱাতেমগনি।

সী এস ওশিং অমসুং অতৈ ষ্টেকহোল্ডরশিংদা ইশু অসিগী চৎনবা য়াবা ৱারোইশিন পুরক্নবা পুক্নিং থৌগৎনিঙাই ওইবা মওংদা হোৎননবসু আপিল তৌখি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা হায়, ভি সী প্রোফেসর এ পি পান্দেনা এম য়ুদা অরান-অহুই কয়া তৌবগী মরাল শিবা ৱাফম কয়া তারবা মতুংদা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা ৱাথোক অসিদা খুৎ থিংজিন্দুনা প্রোফেসর পান্দে সস্পেন্দ তৌখ্রে। ওর্দর অদুদা প্রোফেসর পান্দে মখা তাবা ওর্দর থোক্লিফাওবা য়ুনিভর্সিটি প্রেমিসিজদা চঙবা য়াহল্লোই হায়নসু মখা তানা পল্লি। ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী পুক্নিংগী ইহুল খঙলদুনা প্রসিদেন্ট অমদি সেন্টরনা এক্সন লৌখৎখিবনি।

হৌখিবা মতম কয়াসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা পামদবা থৌদোক কয়া থোকখ্রে হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, প্রোফেসর অমা হাৎখিবগী থৌদোক অমদি অতৈ লোনা য়াদবা থবক কয়া য়ুনিভর্সিটি প্রেমিসিজ মনুংদা থোকখ্রে। লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম ফৎচিল্লক্ত্রবদি ষ্টেট লৈঙাক্না তুমিন্না য়েংদুনা লৈরোই। লৈঙাক অসিনা য়ুনিভর্সিটি কেম্পস মনুংদা পামদবা থৌদোক অমত্তা থোকহল্লোই।

প্রো ভি সী অমসুং রেজিষ্ট্রার হাপ্পগা মরী লৈননা মহৈরোয়শিংনা য়ুনিভর্সিটিগী ইগজামিনেসনশিং বোইকোট তৌখিবদুবু রিয়েক্ট তৌরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, ওর্দর অদুদা ষ্টেকহোল্ডরশিংনা পেন্দবা ওইরবদি মখোয়না কোর্টকী মতেং লৌজবা য়াই। *মখা লামায় ৩ কলম২*

এম য়ুদা পুলিসনা চথখিবা থৌওংগী মায়োক্তা পুং ৪৮গী বন্দ কৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪(ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা লৈঙাক্না সিক্যুরিটি ফোর্স থাজিন্দুনা চথরিবা থৌওংশিং অসিগী মায়োক্তা মণিপুরগী মহৈরোয় লূপ ৬না থা অসিগী ২৬ অমসুং ২৭কী লোন্নবা অহিং নোংয়াইদগী পুং ৪৮গী মণিপুর বন্দ কৌখ্রে।

নুমিৎ নীনিগী বন্দ কৌরিবা মহৈরোয় লূপ তরুক অদুদি ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু), মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ), দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম), কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ), অপূনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোয় শিনপাংলূপ (এইমস) অমসুং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)নি।

লূপশিং অসিনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা তংদু লৈতাবা ফীভম অমা পুরক্কদবনি, ফাজিনখিবা ওজাশিং অমসুং মহৈরোয়শিং কন্দিসন য়াওদনা থাদোক্কদবনি অমসুং সেন্টরনা য়ানখিবা এম ও এ থুগায়দুনা পুকচেল শেংদবা থৌওং চথরিবা অসিগী মায়োক্তা খোঙজং অসি চঙশিন্নবা লেপ্পখিবনি।

হিরম অসিগী মতাংদা ঙসি নুমীদাংৱাইরম মহৈরোয় লূপ ৬ অসিগী থৌমীশিংনা এমসুগী হেদ ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবা অমদা এমসুগী প্রসিদেন্ট এস মঞ্জিৎনা হায়, হৌখিবা মে ৩০ দগী এম য়ুদা নুমীৎ ৮৫ হেন্না এম য়ু কম্যুনিটিনা চঙশিল্লকখিবা মখল কয়াগী খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ওগষ্ট ১৬ তা এম ও এ অমা মণিপুর লৈঙাক্কী, এম ঐচ আর দি অমদি এম য়ু কম্যুনিটিগী মীহুৎশিংনা খুৎয়েক পীনখি। য়ান্ন-চেরোল অদু ঙাক্তবদগী থোরক্লিবা ৱাথোক অসিদা মণিপুর লৈঙাক্না থা অসিগী ১০ গী অহিং নোংয়াইদা মহৈরোয়শিংদা টিয়ার গ্যাস কাপ্পুনা অশোক-অপন নংহনবদা নত্তনা মহৈরোয় অমসুং ওজা কয়া ফাজিনখি। মসিমক মণিপুর লৈঙাক্কী লাইবক থীবা অমনি অমসুং থৌওং অসি কন্দেম তৌই।

মণিপুর মীয়ামদা মখল মখা কয়াগী চৈথেং অসি পুন্না থেংনমিন্নবগী মতম ওইরে। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা এম য়ু কম্যুনিটি, সী এস ও, মীয়াম্না হোৎনবদগী তংদু লৈতাবা অমা লাক্লম্লবা মতুং খঙহৌদনা থা অসিগী ১০ গী অহিং নোংয়াইদা মহৈরোয়শিংদা চথখিবা থৌওং অদু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা মহৈরোয় লূপ ৬ অসিনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা থা অসিগী ২৬ কী অহিং নোংয়াইদগী ২৮ গী অহিং নোংয়াই ফাওবা মণিপুর পুম্নবা জেনরেল ষ্ট্রাইক লাউথোকপনি।

লৈঙাক অসিনা মহৈরোয় কয়া ফাজিল্লগা মীয়ামগী অচুম্বা খোল্লাউ অসিবু মচিন মেনশিন্নবা হোৎনরি। এম য়ুগী প্রোফেসর, ওজাশিং ফাওবা সস্পেন্দ তৌদুনা চথরিবা লৈঙাক্কী থৌওং অসিদা মীয়াম হুপ্পা অমত্তা ওইনা খোঙজং চঙশিনবগী মতম য়ৌরে। *মখা লামায় ৩ কলম ২*

Finance Secretary

মেজোর খুল মনাক্তা বোম পোকখায়বদা ময়াং তরেৎ শোক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): সিটি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থাঙ্গাল কৈথেলগী মনাক্তা লৈবা পপ্পু মোটোরগী দুকান মমাংদা কাবক-কাবক মতিক ময়াই চেনবা আই ঈ দি অমা পোকখায়রকপদা লম্বী চৎপা ময়াং তরেৎ শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে।

থৌদোক অদু ঙসি অয়ূক পুং ৫:৪৫ রোম তারকপদা থোকখিবনি। বোম অদু পপ্পু মোটোর হায়না মিংথোনবা দুকান অদুগী অৱাং থংবা থোঙজিন মপান্দা শকখঙদবা মীওই খরনা থমজিল্লগা রিমোট কন্ট্রোল দিভাইস শীজিন্নদুনা পোকখায়হনখিবনি। বোম পোকখায়বা অদুদা দুকান অদুগী শত্রুরসু অকায়-অতোয় থোকহনখি।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, দুকান অদুগী মপূগী মমিং সুনিল (৩৫) কৌই। মহাক য়ু পিদগীনি হৌজিক্লা ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবনি। শোক্লবা মীওই তরেৎ অদু হৌজিক-হৌজিক রিমস হোস্পিটাল অমসুং রাজ মেদিসিটিদা লায়েংলি। মখোয় অয়াম্বা থোইনা খূদোংথী-নিংঙাই ওইদ্রে হায়রি। শোক্লবা মীওই খূদিংমক চহী ৩০ দগী ৪৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবনি। অয়াম্বনা বিহারদগী লাকপনি হায়রি।

বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু খূৎলায় পায়বা কাঙবু অমনা শেলগী দিমান্দগা মরী লৈননা চথরকপা এটেক ওইগনি হায়না লৌনরি। অদুমকপু থৌদোক অদুদা কনা-কনা চেন্নবগে হায়বদুদি খঙবা ঙমদ্রি।

মণিপুরগী পুৱারীদা মীয়ামগী লৈঙাক লৈখিবা নুমিৎ হায়বা হীরমদা খন্ন-নৈনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): কম্মিটি ওফ সিভিল সোসাইটিজ কংলৈপাক (সী সী এস কে)না কংলৈপাক ৱিমেন্স ৱেলফেয়র এসোসিএসন (কে দব্লিয়ু দব্লিয়ু এ)গা খৃৎশম্লনা শীন্দুনা মণিপুরগী পুৱারীদা মীয়ামগী লৈঙাক লৈখিবা নুমিৎ হায়বা হীরমদা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা ঙসি খাঙবোক্তা লৈবা মেঞ্জোর মঙাং রিছার্স সেন্টর (এম এম আর সী)গী মীপুনশঙদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা সী সী এস কেগী প্রসিদেন্ট অর্জুন তেলহৈবা, কে দব্লিয়ু দব্লিয়ু এগী প্রসিদেন্ট এ কে মেমচা লৈমা, থবক্তংগী পোথারবা পোলিটিকেল সাইন্সকী ওজা ডো. ঐচ ইন্দ্রকুমার, কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী চেয়রমেন কে ঐচ মেঞ্জোর মঙাং, এম য়ুগী সী এস এস ঈ আই পি দিপার্টমেন্টকী রিদর ডো. টি ঐচ ভারত অমসুং য়ুনিভর্সিটি অসিমক্কী পোষ্ট ডোক্টরেট ফেলো ডো. কে মুক্তাসনানা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা সী সী এস কেগী প্রসিদেন্ট অর্জুন তেলহৈবনা হায়খি, বৃটিশনা মণিপুর থাদোক্লম্বদগী মণিপুরগী নিংতম্বা হঞ্জিনখি। অদুবু, মণিপুর কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭ শেমদুনা মীয়ামগী মীখল পাঙথোক্লগা দেমোক্রেসিগী অহানবা মহাও তংবা ফংহনবীরে। অদুবু, লাইবক থীবদি দেমোক্রেটিক ওইবা লৈঙাক অমা লিংবগী মপৃং ফাবা ৱাহন্থোক ঙসিগী মীয়াম্না মপৃং ফানা ফংলব্রা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। হৌজিক লৈরিবা দেমোক্রেসিগী ফীভম অসিদি কেপিটেলিষ্টিক দেমোক্রেসিগী মতৌনি। মতৌ অসিদি লায়রবশিংগী মফম লৈতে। মীয়ামদা অফা-অপূন্নবগী চৈথেং লৈরি। মীচম মীয়াম খম থেংনা ৱারি। কুমজা ১৯৪৯ গী ওক্টোবর ১৫ দা মণিপুরদা ইন্দিয়াদা তিনখিবা অদু ঙসি নৌহৌননা য়েংবা য়াম্নমক মথৌ তারে। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখিবা অদুদা য়ানখিবা ৱাফমশিং অদু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ঙসি ফাওবা ঙাক্লা চৎত্রি। মসি হায়ফম থোকপনি। ইন্দিয়াগী অচৌ-অচৌবা ষ্টেটশিংগা ...*মখা লামায় ৩ কলম৪*

লেদিজ হোষ্টেলগী মহৈরোয়শিং মতম কক্তুনা চরা হেনবা হৌখ্রে

চরা হেল্লিবী মহৈরোয়শিং উনবা লাকপা নুপী লূপকী লুচিংবীশিং পুলিসনা এম য়ুদা চঙহনখিদ্রে।

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪(ঐচএনএস): থা অসিগী ২০ গী অহিং নোংয়াইদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুংদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা ফাখিবা ওজা অমসুং মহৈরোয়শিং থাদোক্কদবনি অমদি য়ুনিভর্সিটি অসিদা নোর্মেলসি লৈহল্লু হায়না দিমান্দ তৌরদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী লেদিজ হোষ্টেলদা লৈবী নুপী মহৈরোয়শিংনা ঙসিদগী মতম কক্তুনা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনবা হৌখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুংদা লৈবা লেদিজ হোষ্টেল নম্বর ১, হোষ্টেল নম্বর ২, হোষ্টেল নম্বর ৩, হোষ্টেল নম্বর ৪ অমদি হোষ্টেল নম্বর ৫ তা লৈরিবা মহৈরোয়শিংনা মান-মানা লৈরিবা হোষ্টেল অদুগী মমাঙদা থোক্তুনা চরা হেনবগী খোঙজং অদু চঙশিনবা হৌখিবনি।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবী লেদিজ হোষ্টেল নম্বর ৩ গী মহৈরোয় অমনা ফোঙদোরকখিবদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অসিদা হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইবগী ৱাহন্থোক লৈত্রে। ওজা অমদি মহৈরোয়শিং ফাজিনখ্রগা কনানা করি লাইরিক তমদুনা করি ইগজাম থাগদৌরিবনো।

মহাক্না হায়, য়ুনিভর্সিটি অসিগী কেম্পস অসিদা মিলিটরি অমদি ফোর্সেস ময়াম থমজিল্লগা মহৈরোয়শিংনা মতৌ করম্না কেম্পস মনুংদা লৈগদগে। মরম অদুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী লেদিজ হোষ্টেলদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংনা অমত্তা ওইবা ৱারেপ লৌদুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী কেম্পস অসিদা নোর্মেলসি পুরক্লিফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং অসি চঙশিনবা হৌবনি অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবা মতমদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী কেম্পসতা নোর্মেলসি পুরক্নবা হোৎনবিয়ু।

ফাজিনখিবা ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিং অথুবা মতমদা থাদোকপিয়ু। মখোয়বু মরাল লৈরম্লবসু নীংথিনা ইনক্বাইরি চথবিয়ু। অদু নত্তবিদা অহিং অমদা সিক্যুরিটি ফোর্সেস ময়াম অমা থাজিল্লগা নমফূ-হাফূদা ফাবা পুনবগী থবক চথবা অদু কন্দেম তৌই। থৌওং অদু মহৈরোয়শিংবু টেরোরিষ্টনি হায়না খন্দুনা চথখিব্রা। থৌওং অদুমক্লা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

ইরেংবম চাউরেননা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

মরম চারবসু বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইকশিং চথবা হায়বসি হৌজিক্তি মীয়াম্না পাম্নদবা খোঙজংগী মওং ওইরক্লে।

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ : রেভল্যুসনরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ)কী লাম্নী শঙলূপ পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ)গী হয়েং সেপ্টেম্বর ২৫ দা পাঙথোক্‌দৌরিবা ৪০রকশুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা য়াওল ঈহৌদা থৱায় কৎখ্রবশিং অমসুং মীয়ামদা ফ্রন্ট অসিগী প্রসিদেন্ট ইরেংবম চাওরেননা ইকায় খুম্নবা উৎলক্লি।

প্রসিদেন্ট মশামক্না খৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হায়, ঙসি মণিপুরদা লোইবা খন্বা নাইদনা অমগী মথংদা অমা থোক্লক্লিবা ৱাথোক-লান্থোকশিংনা খুন্নাইগী পুন্সিদা ওইহল্লক্লিবা খুদোংচাদবা ফীভম কয়া অসি, ঐখোয়না ইন্দিয়াগী লোয়লম লৈঙাক মখাদা লৈরিবমখেদি কোকহনবা কেদৌঙেদা ঙল্লোই। মীয়াম্না ফনা য়াম্না ফীভম অসি লৈহন্দবা পাম্নবসু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌশিলনা কাং-খোঙ চাইহনখ্রবা মণিপুরগী খুন্নাই অমদি লোয়লম মপুগী য়াকা য়েংবা নন্তনা মশাগী মরৌশিং পুথোক্নুনা মরমদমগীদমক থবক তৌবা ঙমজদ্রবা ঙসিগী লৈঙাক্লোয়শিং অসিনা ফীভমশিং অসিবু চুম্না ৱাখেবা ঙমগদবা নত্তে।

হৌজিক মনম মনম ননশিনলক্লিবা থৌদোক-ৱাথোকশিংগা লোয়ননা মণিপুরদা খুন্দমিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংশি-চান্নবা লৈহল্লক্তিবা অসিদা লৈঙাক অসিনা করিসু তৌবা ঙমদনা লৈরিবসি, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌশিলগা হায়রিবশিং অসিগা হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা মরী লৈনহল্লকপদগীনি। মরী অসি ইন্দিয়াগী পরিং নাইনা চথরকপা অপীকপা ফুরুপশিংবু নমথদুনা থম্বা য়ানবা অমসুং ফুরুপশিং অসিগী মরক্তা শিংচেপ থাদুনা মশেলগী মরক্তা মশাগী লৈজবা পাঙ্গলশিংবু অমনা অমদা শীজিন্নহন্দুনা শোন্থহল্লগা মখোয়না পুময়োৎ য়োৎশিন্নবা তৌবা থৌরাংগী লল্লোং অমনি। মসি মালেমদা লৈখিবা লোয়লম মপুশিংগা, মতু শোল্লবা মখোয়না লোয় চন্দুনা থল্লবা ফুরুপশিং অদুগা লৈনখিবা মরী অদুনি অমসুং মসিমক ঙসি ইন্দিয়ানা মণিপুর অমদি ৱেসিয়াগী লমদমশিংদসু লেপ্পুনা চথরি হায়নসু মখা তারক্লি।

মরক অসিদা ঐখোয়গী মীয়াম্না মকোক্তা মখুৎ হাপ্পবা মণিপুরগী লৈঙাক অসিদা পংতাইদা তাইশন্দুনা থিঙেলদা তায়নবা ঙমদ্রগা নাশিখোংদা তাইনৈ হায়বা থৌদৌ অদু ওইনা থোক্লিবা অসি হোংদোক্তুনা থিঙেল ওইরিবা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্তা অতম্না তায়নবা ঙম্বা অনৌবা খোঙহৌ অমা হৌদোকপা মতম য়ৌরে। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌজাল ফংনবা মশাগী মতিৎবু ইলেক্সনগী লাল্লোংদা শীজিন্নবা মহৌশাগী মশিন ওইখ্রবা ঙসিগী লৈঙাকপশিং অমদি দিল্লিগী পোলিটিক্সতা লাইমিং লৌদুনা মশাবু শায়োঙখ্রবা মণিপুরগী লৈঙাক্লোয়শিং অসিদা ঐখোয়না অসুম থংজন্দুনা লৈরবদি ৱাথোক লান্থোকশিং অদু ৱাখেবগী মহুত্তা মদুনা হেন্না খুন্নাইদা চয়েৎনহন্দুনা চরাংনবা কয়া থোক্লক্নি। মরম অদুনা পুন্নমক অসিগী হৌরকফম ওইরিবা লোয়লম লৈঙাক্কী থৌশিলদা হেন্না শাফু পীদুনা ইন্দিয়া লৈঙাকপু শিংনবা ঙম্বা ঐখোয়না ময়াং মচাশিংগা লোনদিন্নরুবদগী চুশিল্লকখিবা খুৎতি য়াওদনা ...*মখা লামায় ৮ কলম ২*

এম য়ুদা মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিনহন্নবা তক্লগনি : য়ুগিন্দ্রো

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪(ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ফাজিনখিবা ওজা অমসুং মহৈরোয়শিং থাদোক্লবা ষ্টেট লৈঙাক্না তান্নদুনা য়ুনিভর্সিটি অসিদা ঈং-তপ্পা ফীভম পুরক্লবা তক্লগনি হায়না ভি সী ইনচার্জ প্রো. কে য়ুগিন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি মনুংদা লৈবা ভি সী ইনচার্জগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবা অমদা প্রোফেসর কে য়ুগিন্দ্রোনা হায়, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা হৌজিক তপ্পা-তপ্পা নোর্মেলসি পুরকপা হৌরে। অথুবা মতমদা নোর্মেলসি পুরক্লগনি হায়বগী থাজবসু লৈ। য়ুনিভর্সিটি অসি নোর্মেলসি পুরক্লবা হোৎনবা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরিবসি ওজা, ষ্টাফ অমসুং মহৈরোয়শিংনি। অদুনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

বিরেন, পান্দেগী মীতম মৈ থাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসতা সিক্যুরিটি ফোর্স থাজিন্দুনা ওজা তরুক, মহৈরোয় তরেৎ ফাখিবা অমসুং মহৈরোয়শিংগী হোষ্টেলদা চথখিবা তমথীরবা এটেক অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা ঙসি মণিপুর কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা শীন্দুনা কোলেজ অসিগী গেট ময়াদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন অমসুং সস্পেন্দ তৌখ্রবা এম য়ুগী ভি সী, এ পি পান্দেগী মীতম মৈ থাখ্রে। মহৈরোয়শিংনা গো বেক পান্দে হায়নসু লাউখি।

Aptech LEARNING
Unleash your potential
IMPHAL CENTRE YAIPHAKOL Building Singjamei Parking
www.aptechlearning.com
7085440528
ADMISSION OPEN
Spoken English
Read
Write
Listen
Speak
Designed by Middlesex University London
Computer Courses
* Microsoft Office
* C, C++, C#
* MIS
* Website Development
* Tally erp
Eligibility: School Students Housewives Working Professionals College Students
Get TRAINED » Get HIRED
30 Years of experience | 40 Countries
Imphal or Mumbai, we maintain the same Quality
HL-B/4862/17/9-15/10 (alt)

LOAN FACILITIES AVAILABLE
Machinery Loan
Two Wheeler Loan
Car/Commerical Light Vehicle Loan
TV Loan
Pension Loan
Service Loan
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Loklaobung, Moirangkhom
B.O. MG.Avenue,Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on: www.imphalfinancesociety.in
HL-B/4875/21/09-20/10

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫